ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯴, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯴ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ফেব্রুৱারী ১৪, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৩১৪শুবা মশীং

# বি জে পিগী লুচিংবা ২২ এন পি এফতা য়াওখিবা

## অৱাং-নোংপোক্তা বি জে পিগী মপাঙ্গল শোন্থরকপগী খূদম ওইগদৌরিবরা

সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ)গী মায়োক্তা অচেৎপা ফিরেপ লৌরদুনা নাগালেন্দদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী লুচিংবা ২২ পার্টি থাদোক্লগা নাগা পীপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)তা য়াওখ্রে। এন পি এফতা নৌনা চঙলকখ্রবা মীওইশিং অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা পার্টিগী প্রসিদেন্ট শুরহোজেলি লিজিটসুনা হায়খি, অচুম্বা পামজবা মীওই পূন্নমক অথুবা মতমদা বি জে পিদগী তোক্লগা এন পি এফতা য়াওরক্লগনি। নাগা ফুরুপকী তোপ-তোপ্পা শক্তম অমসুং নাৎ ঙাক-শেন্দুনা থম্নবগী পান্দমদা লিংখৎখিবা এন পি এফতা বি জে পিগী লুচিংবা খরা য়াওরক্লিবসি মতাং চপ চারে হায়না লৌবা য়াই। তোঙান-তোঙানবা রিজনেল পার্টি কয়া লিংখৎলম্লগা মীখলদা মায়থীরবা মতুংদা মুৎখিবা তারবসু এন পি এফতি নাগা ফুরুপ্না হেক লৈরিবমখে মুৎনাইদনা লৈখিগনি। হৌজিক-হৌজিক এন পি এফনা ওপোজিসনদা লৈরিবসি মতম খরখক্কীনি। পার্টি অসিনা ওপোজিসনদবু লৈরবসু লৈঙাক পায়বদবু য়াওরবসু মতম পূন্নমক্তা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা বি জে পিদগী তোক্লগা এন পি এফতা য়াওরকখ্রবশিংগী মনুংদা বি জে পি নাগালেন্দ য়ুনিটকী লো এন্দ লিগেল এফেয়র্সকী কনভিনর তোশি লোংকুমর অমসুং বি জে পি মাইনোরিটি সেলগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইরম্বা মুকিবুর রহমন য়াওরি। এন পি এফতা চঙলকখ্রবশিং তরাম্না ওকপগী থৌরমদা মুকিবুর রহমননা হায়খি, সেন্টরনা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) চৎনহল্লকপগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা বি জে পিদা য়াওরম্বা মীওই কয়া পার্টি থাদোরকখিবনি। অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্কদৌরিবা এক্ট অসিগী মায়োক্তা থৌনা ফনা চোংথোরকপা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনুংদা এন পি এফনা মাঙজিল থাবা মরম্না পার্টি অসিদা য়াওনবা ফিরেপ লৌরকপনি। নাগালেন্দ য়াওনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মফম পূন্নমক্তা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনরে হায়বা তারগসু সী এ এগী চৈথেং ঙাকথোকপা ঙম্লোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। কোংগ্রেসনেল রিছর্স সর্ভিস (সী আর এস)কী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা সী এ এ অমসুং নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী)না মরম ওইরগা মুসলিমশিংগী ফীভম শোকচিলহল্লকপা য়াই হায়রি। য়ু এস কোংগ্রেসকী ইন্দিপেন্দেন্ট রিছর্স ৱিং অমা ওইরিবা সী আর এসকী রিপোর্টনা হায়, ইন্দিয়াদা অনৌবা সিটিজনশিপ লো চৎনহল্লকপগা লোয়ননা এন আর সীগী থৌরাং লৌখৎলকপনা মিলিয়ন ২০০ রোম লৈরিবা মুসলিম ফুরুপকী মীওইশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরকপা য়াই। মমাঙদা চৎনদুনা লাকখিবা সিটিজনশিপ এক্টতা ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্ট অমত্তা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহনবা য়াদে হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা য়াওরি হায়না পল্লদুনা সী আর এসকী রিপোর্টনা হায়, ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইট্‌স লোগী ৱাংমদা ইন্দিয়ানা অকক্লবা লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইরগা সিটিজনশিপ পীনবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসিনা ইন্দিয়াগী সেক্যুলরিজম ষ্টেটস মাঙহল্লকপা য়াই। বাংলাদেশ, পাকিস্থান অমসুং অফঘানিষ্টানদগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট, পার্সি, জেন অমসুং বুধিষ্টশিং সিটিজন ওইহল্লগা অতম্ননা মুসলিম খন্দোক্লন্লিবসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪ অমসুং ১৫গী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়নসু সী আর এসকী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা সী এ এ শৌগৎপশিংনা হায়রিবদি পাকিস্থান, বাংলাদেশ অমসুং অফঘানিষ্টানদা মুসলিমশিং মীওৎ-মীনৈগী চৈথেং মায়োক্লদে হায়বসিনি। অদুবু শ্রিলঙ্কা অমদি ম্যান্মারনচিংবা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংদা মীওৎ-মীনৈগী চৈথেং ফংলিবা মীশীং য়ামজদবা কাঙলূপকী মীওইশিং সিটিজন ওইহনবগী ৱাফম সী এ এদা য়াওহন্দ্রিবা করিগীনো হায়না মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি। খূদম ওইনা হায়রবদা বুধিজমনা ওফিসল রিলিজন ওইবা শ্রিলঙ্কাদা টামিলশিং মীওৎ-মীনৈগী চৈথেং ফংলি। বুধিজমনা ওফিসল রিলিজন ওইবা ম্যান্মারদনা মীশীং য়ামজদবা রোহিন্দজা মুসলিমশিং মীওৎ-মীনৈগী চৈথেং মায়োক্লরি। পাকিস্থানদসু অদু মঙায়রে, অহমদি অমসুং শিয়া মুসলিমশিং মীওৎ-মীনৈগী চৈনা খাঙলি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। অমরোমদা সী এ এ অমসুং এন আর সীনা কাঙলূপ মশেল নুংশিনহন্দবগা লোয়ননা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন শোকহল্লকপা য়াই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মোৎ পীনরক্লি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা শেনবা চহী ২০২৪-২৫ ফাওবদা লৈবাক্কী ইকনমি দোলর ট্রিলিয়ন ৫ য়ৌহন্নবা পান্দম থম্লবসু শেন্মীৎলোনগী ফীভম নোংমা-নোংমগী শোকচিল্লকপগুম তৌরি। লৈবাক্কী ইকনমি দোলর ট্রিলিয়ন ৫ য়ৌহনগে হায়রবদি লাক্কদৌরিবা চহী মঙাগী মনুংদা চহী খূদিংগী গ্রোথ রেট চাদা ৯ দগী ১০ ফাওবা ওইহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মোৎ পীরি। অদুবু শেনবা চহী ২০১৮-১৯গী অহানবা থা অহুমদা গ্রোথ রেট চাদা ৮ ওইরম্বদগী অনীশুবা থা অহুমদনা চাদা ৪.৫ দা হন্থরকখি। গ্রোথ রেট ৱাংখৎহন্নবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মচাক্তি লৈবাক্কী মফম পূন্নমক্তা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহনবনি। হৌখিবা দিসেম্বর থাদা সী এ এ চৎনহনখিবদগী ইন্দিয়াদা মুসলিম ফুরুপ অমসুং মোদি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মরক্তা থাজনরক্তবগী মওং অমা উবা ফংলে। সেন্টর অমসুং ওপোজিসননা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী মরক্তা চাউনা মুক্নরকপগী ফীভম অমসু লাক্লে। ওপোজিসননা লৈঙাকপা ষ্টেট অয়াম্বনা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট, নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স অমসুং নেসনল পোপ্যুলেসন রেজিষ্টর চৎনহল্লোই হায়না ইফোং-ফোংনা লাউথোক্লরক্লে। ফীভম অসিদা লৈবাক্কী ইকনমি ফগৎহনবা ঙমগনি হায়বা থাজদে। লোয়না-লোয়ননা অৱাং-নোংপোক লমদমদা বি জে পিগী মপাঙ্গল শোন্থরক্লবগী মরম ওইহল্লকপসু য়াই হায়না থাজনরি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৩

১। ঐখোয়গী শেংলবা কংলা মনুংসি ইতিহাসকী মচাক ওইবা ফূড়াশিং, ঈরম খোংলম কয়া অমা লৈরিবনি। ইবুধৌ পাখংবা হাক্তক্তগী মহারাজ কুল্লচন্দ্রগী মতমফাও কোনুং ওইরক্লবনি।

(ক) মসিদা লৈরিবা নূংজেং পুখ্রি অচৌবা শেংলবা মফমনি। মসিবু করি হায়নসু খঙনবগে?

(খ) নোংচুপ সনথোঙ অসি কংলাগী মরুওইবা থোঙ অমনি। করম্বা সনাহাক্তক্তা শারম্বনো?

২। "ননাই ঐগী কংলবা থম্মোয়দা ধর্ম্মগী ময়োন হুনবগুম তৌরে। রাম সীতাগী গুন তাবদা য়ামদ্রবদা মিত্তা পি শিন্থবা মখৈদদি হৈরে।" পরেং অনীসি কবি চাউবগী 'লবঙ্গলতা' দগী লৌথোকপনি। ননাই হায়রিবসি কনানো?

৩। "নুপানা রাম ওইরগা লোয়নবীসু সীতা ওইবনি। নত্তদুনা নুপীখক্তং সীতা ওইয়ু হায়বদি খক ওইথোক্লরোই।" ৱাফমসিনা 'থোইনু' কৌবা ফম্বাক লীলা অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "লূপথৌ লুরবা ঈরোন্নুংদা/থম্মোয় থম্বাল লৈরিক্লুংদা/ফঙ্গনি মঙাল অচুম্বগী।" পরেং অহুম অসিনা এস ভানুমতিগী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "উখ্রুলদা ঐগী থৱায় লৈহৌরে/ইম্ফালদা লৈঙমদ্রে।" পরেং অনীসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবা অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ষ্ট্রিট ভেন্দরগী ৱারোইশিন ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী মখূৎতা লৈরে

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ৱাথোক করিগুম্বা মতমদা ৱারোইশিন পুরকপা লৈখ্রবরা? লৈত্রি। ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা গভর্ণমেন্টনা ফনা কন্না হোৎনবদি লৈখ্রে। অদুবু ঙমখিদে। মায় পাকপা ঙমখিদে। ঙমখিদবা অদুননি ঙসি মণিপুরদা ইম্ফাল ময়োলমক্তদা ষ্ট্রিট ভেন্দরগী ৱাথোক অমা থোক্তুনা অদুমক লৈরিবসি। মমাঙদা লৈঙাকখিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টশিং হায়বসিদা তোঙান-তোঙানবা পার্টি কয়াগী গভর্ণমেন্টশিংসু য়াওরিবনি। মরুওইনা থেঙ্খাং কয়াদা লিশাং-শিংনা লৈঙাকখিবা কোংগ্রেস পার্টিনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনখিদববদি নত্তে। ঙসি লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনসু ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরি।

ৱাথোকসিগী ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসি লৈঙাক্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিখক্তনা পুরক্কদবরা নৎত্রগা ষ্ট্রিট ভেন্দর ওইনা পোৎ য়োল্লিবীশিং অসিনসু পুরক্কদরা নৎত্রগা লৈবাক মীয়ামসু য়াওগদরা/য়াওরোইদরা হায়বা ৱাফম অমা থোক্লকই। ৱারোইশিন পুরকপদা নাকল অহুমগী থৌদাং খরদি মথৌ তারে হায়না লৌবা য়ারে। মণিপুর গভর্ণমেন্টতা ৱাথোক অসি লোয়না তায়শিনবা/মরাল শীজিনবদি চুনদবা ৱাফমনি। ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অসি গভর্ণমেন্টনা কৌরুরগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংগী মীনা চিক্লা-চাইনা ঙমদ্রবা লম্বীশিং অসিদা পোৎফম ফম্লুরাও হায়দুনা থওইনা কৌরুবমক্তি নত্তে। তশেংনমক হায়রবদি ষ্ট্রিট ভেন্দর হায়বসিদি মণিপুরগী মায়কৈ কয়াদগী লাকপা পোৎয়োনবী নুপীশিংনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মী য়াম্না চিল্লবা লম্বীশিং অসিদা পোৎ য়োল্লুরগে হায়দুনা মশা-মশানা থওইনা লাকচবনি। মখোয়গী মীৎয়েংদা লম্বী হায়বসি অহাঙবা মফম ওইনা উরে। হোয়, চুম্মী অহাঙবা মফমনি লম্বী হায়বসি অদুবু লম্বী হায়বসিদি অহাঙবা মফম ওইবা মশানা তাবনি করিনা হায়ববু অহাঙবা মফম নৎত্রবদি করম্না লম্বী অদুদা মী চৎথোক-চৎশিন তৌগদৌরিবা? লম্বী চিল্লকপা মতমদা লম্বী থাদোকউ চৎফম লৈত্রে হায়নরিবদুনি। করিগুম্বদা লম্বীদা পোৎ চৈ থমজিনবা, উ-ৱা ফৈজিন্দুনা থম্বা মতমদা শাউনা হায়নরিবদুনি করিনো তৌরিবসিবু ৱাখল য়াওদবা লম্বী হায়বসি মী চৎনবনি, পোৎ চৈ থমজিন্নবা মফম নত্তে। লম্বী মপান নক্লা লৈবা মীওইশিংনা লম্বীগী শরুক খরা খোপচিনবদা পেন্নদ্রবা মীয়াম্না হায়নরিবদুনি মীয়াম চৎনবা লম্বীবু খোপচিল্লিবসিবু করিনো হায়বা খঙখিদ্রেদা, লম করামখ্রেদা, মখোয়সিনসু লম্বী অসিদা চৎকদৌরিবনি। হায়রিবশিং অসিদগী খঙবা ঙম্লে মদুদি লম্বী হায়বসি অহাঙবা মফম ওইনা অদুমক লৈহনগদবনি। কনাগীদমক? ঐখোয় পূন্নমক্না শীজিন্ননবা, চৎথোক-চৎশিন তৌবখক্তদা শীজিন্ননবা। অতৈ থবক্তদি য়াদ্রে লৈবাক মীয়ামগী ওইবা থবক্কী ওইরবসু। অদু ওইরবদি পোৎফম ফম্বী নুপীশিংনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মী য়াম্না চিল্লবা লম্বীশিংদা পোৎফম ফমজিল্লিবশিং অসিদি চুল্লিব্রা? পোৎ য়োন্নবগীদি পোৎ য়োন্ননবা পোৎফম ওইনা থম্লবা পোৎফমদা পোৎ য়োনগদবনি। লম্বীগী অহাঙবা মফম্না মী চৎথোক-চৎশিন তৌননবা মফম অদুগা পোৎফম্না পোৎ য়োন্ননবা মফম হায়দুনা লৈরবনি। অনীসি য়েৎশিন্নবা য়াবা নত্তে। করিগুম্বা য়েৎশিন্নবা থোক্লবদি ঈশিংগা থাউগা তিনশিন্নবা হায়বদুনি অনীমক থবক শীজিন্নবা য়াদনা মাঙমিন্নরক্কনি। অদুননি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী লম্বীশিং অসিদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা মরম ওইরগা মী চৎনবা মফম লৈতবা অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়া থোক্লকপদগী ৱাথোক থোক্লক্লিবসি।

ষ্ট্রিট ভেন্দরগী নুপীশিং অসিগীসু অচৌবা থৌদাং অমা লৈ ৱাথোক অসি মতম পূম্বগী লোইশিন্নবা হোৎনবদা। তশেংনা হায়রবদি পোৎফম ফম্বী নুপীশিং অসিগী অচৌবা মরাল অমা লৈ। পূন্নমকসি মখোয়না থোকহনবনি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী লম্বীদা মশাগী নুংঙাইনবগীদমক মশাগী কান্ননবগীদমক পোৎ য়োনশিল্লকপদগী। করিগুম্বা লম্বীদা পোৎ হেক য়োন্দ্রবা ৱাথোকসি লৈররোই। মখোয়না পোৎ হেক য়োল্লিবমখে ৱাথোকসি লোইবা নাইরোই। শম্না হায়রবদা অরিবা ৱাথোকসিগী হৌরকফমসু মখোয়নি অদুনা ৱারোইশিনসু মখোয়নি। ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা ঐখোয়না পোৎ য়োন্দুনা ফল্লিবা মফমসি পোৎয়োনফম শঙ/কৈথেল নত্তে, ঐখোয় ময়ামগী, লৈবাক মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন তৌননবগীদমক থায়নদগী থম্বা লম্বীনি হায়না হেক ৱাখল তারকপা নুমিৎতুদা ৱা লোইরে। ৱাথোক লৈররোই। মীওইবগী মীনুংশি অমদি লৈত-লায়রা য়েংনদুনা লম্বীগী মতাইদা পোৎ য়োনবা য়াই, য়াদবা নত্তে। মসিনা ইমুং-মনুং পুবা, মচা-মশুশিংগী মহৈ-মশীন তম্বা, অনা-লায়েংগী মায়পুনবা অদুমক ঙমগনি। অদুবু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী লম্বীশিং-খক্তদা পোৎ য়োনগনি, ঐখোয়দি অতৈ মফমদা পোৎ য়োল্লরোই হায়বা তারবদি য়াম্না লাল্লবা ৱাফম অমনি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মী চৎননবা থল্লিবা লম্বীশিং অসি মণিপুরগী য়ামখ্রবা মীওই লাক্ষ ২৭ অসিগীনি ষ্ট্রিট ভেন্দর খরখক্কী ওইনা গভর্ণমেন্টনা থম্বা নত্তে। লৈবাক মীয়ামগী ওইনা শীজিন্ননবা থম্বা পোৎপু মীওই খরনা শীজিন্নগে, মীয়াম ৱাহনগে, য়াদ্রগা শাউগে, লৈবাক ঈরাং হৌগনি হায়বা ৱাখলসি শৌগৎনীংদে। শৌগৎলুরবদি মীয়াম চৎনবা লম্বী লৈশিল্লক্রে। লম্বীদা পোৎ য়োনবদা তানখায়বা য়ারোই, মদু ঐখোয়গী রাইটনি হায়বা তারবদি নাকল অমরোমগীসু ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং মীৎয়েং থম্বা চংই। লম্বী অসিদা চৎলিবা মীওই লাক্ষ কয়ানা লম্বী চৎপা য়াদ্রে, লম্বীদা চৎপা হায়বসি মীয়ামগী রাইটনি হায়বসিদা করি লাল্লিবগে। লৈবাক্কী চৎনরিবা লোগী মতুংইন্নদি মীয়ামগী রাইট অসি চুন্নী অদুগা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অসিনা লো থুগায়রি। লো থুগাইরগা ইশাগী হিংননবগীদমক রাইট তানবা হায়বসি দেমোক্রেসিদা চন্নদে।

ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা পোৎ শিৎপা, পোৎ য়োনবা নুংঙাইবা শেন্দোং ফংবা খক্তা য়েংলগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মনুংদা পোৎ য়োল্লুরগে হায়না খল্লোইদবনি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংদা পোৎ লৈবা লাক্লিবসি মণিপুরগী মায়কৈ কয়াদগী লাকপা মীওইশিংনি হায়বসি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা চিনফা পুশিনগদবনি। য়েংবীয়ু পিকখ্রবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংসিদা নুপী কৈথেল অহুম লৈরে, অনৌবা অমসু শাগৎলি। নুপী কৈথেল অহুম অসিনা থাঙ্গাল, পাওনা, বি টি রোদ, নাগামপাল, উরিপোক মচিন, ৱাহেংবম লৈকায়, কৈশাম্পাৎনচিংবা মফমদা লৈবা মীওইশিংগী তঙাইফদবা পোৎ চৈ লৈবদা লোইনা ফংহল্লে। অনৌবা কৈথেল অমসিমগা শাবা লোইরক্লবদি হেন্দোক্লা কোন্নরে হায়রিবা মীশিং অসিগা পাদুনা য়েংনবদা। অদুনদি কৈথেল মনুংদা করিগী ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংদা পোৎ য়োন্নবা থোমজিল্লকফম থোকপগে। ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা খঙজিনবীগদবদি মখোয়দগী পোৎ লৈরিবা মীওইশিং অসিদি অয়াম্বনা মায়কৈ মরিদগী খ্বাই কৈথেল মনুংদা ফাওদুনা লাকপা গ্রেটর ইম্ফালদা লৈবা মীওইশিংনা অয়াম্বনি। অমরোমদা গ্রেটর ইম্ফালদা লৈরিবা মীওইশিংনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদগী লৈরিবা পোৎশিং অসি খ্বাই কৈথেল মনুংদা থওইনা চংলগা লৈনীংবা ফাওদবনা অয়াম্বনি করিনা হায়ববু মতম মাঙই, মী চিল্লি, গাড়ীদা চৎপগী অহেনবা শেলসু চৎলি, থবকসু নংনদে। শম্না ময়ূম মনাক্তা লৈকায় নক্লা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা য়োল্লিবা এঞ্জাং নাপিশিং, ঙা, চেঙ-চাকশিং অসি নক্লা লৈবা পাম্মী। মসিগীদমক্তা খ্বাই কৈথেল মনুংদা চংদুনা পোৎ লৈনীংদে। হায়নীংলিবা ৱাফমদি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা মায়কৈ মরিগী হায়বদি গ্রেটর ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈরিবা মফম চাবা লম্বীগী মতাইদা পোৎ য়োনবনা য়াম্না হেন্না কান্নগনি। উফুল-ৱাইফুল হৌবা অমহানি, নোং চুবা খ্বাই কৈথেলগা অমহানি। খূদম খরদং পল্লবদা নম্বোল মায়কৈদগী হাইগৎলকপা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা সেগা রোদকী মফম চাবদা পোৎ য়োনবা য়াই অয়ূক্তগীনা নুংথিল ফাওবা। পাৎশোই মায়কৈদনা শগোলবন্দগী মফম চাবদা য়োনবা য়াই। অসুম্না মাগী মাগী মায়কৈগী ওইবা খুদোংচাবা য়েংলগা য়োনবা য়াই। পোৎ অদুমসু শিংকনি। মী য়াম্না অদুমক থোক্লক্কনি। নীংশিংবীয়ু মাও কৈথেল ফম্বদা মী কয়া য়াম্না পোৎ লৈবা লাকই হায়বদু। হৌজিকসে মী অয়াম্বনা অনকপা মফমদা পোৎ লৈবা লোইনা পাম্নরবনি। শম্না হায়রবদা মশা শুকচৎ-চৎতনা মোবাইল ফোন্দগী নৎত্রগা কম্প্যুটরগী খূথাংদা ওন-লাইন্দগী মমল য়াল্লবা পোৎ কয়া ইরায় লায়না লৈনরে। অদুগা ঙসিগী মীয়াম্না চেঙ-চাক, হৱাই-চেঙৱাই, ঙা-চাকনচিংবা য়ূমদগী ইশা চৎলগা খ্বাই কৈথেল মনুংদা হুমাং কাংবমখে পোৎ লৈবা পাম্নদ্রে।

ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা ঐখোয়গী মফম অমা শিনবীয়ু হায়বদুদি ওইথোক্কদবা মান্দে। করিনা হায়ববু খ্বাই কৈথেল মনুংদা হান্ননা নুপী কৈথেল অহুম লৈখ্রে, অনৌবা অমসু শারি। মসিনা হেন্দোক্লা কোন্নরে। অদুনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী অমুক শাবা ওইথোক্লোই। গভর্ণমেন্টনা শাররোই হায়রকপদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা শাউরোইদবনি। অসুক চাওখৎলবা মতমসিদা পিকখ্রবা খ্বাই কৈথেল অসিদা থোক্লকপগী লোইবা নাইদবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী কৈথেল শঙ পংশাদা শাবা ঙমগনি নীংদে। রুলগী মতুংইন্না খ্বাই কৈথেলসি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী কৈথেল শঙ শাগদবনি হায়বসু লৈবা নত্তে। শানবা মফমসু লৈতে। খুবাক অমা পাকপা মফম অমফাওবা লৈত্রে, খ্বাই কৈথেল মনুংসিদা কাংজৈবুং নত্তনা। লন্নাই লূপশিংনসু ৱারোইশিন পুরক্লোইদবা ৱাফম কয়াদা শৌগৎপীদবা চুম্মী। মদুগী মহুত্তা গ্রেটর ইম্ফালগী মফম চাবদা পোৎ য়োন্নবা পাউতাক/পাউজেল পীদুনা মতেং পাংবিবনা অৱাবা মীগী মতেং পাংবরোমদনা ফৈ খল্লি। ৱারোইশিন লাক্লোইদবা ৱাফমদা মতেং পাংবনা মণিপুরগী মীওই লাক্ষ লাক্ষ কয়াদা অৱাবা মায়োক্লহনবা নত্তনা অতৈ কান্নবা ফংগনি হায়বা উদে।

গভর্ণমেন্টনসু খ্বাই কৈথেল, নাওরেমথোং, পিশুমথোং, কোংবা, ৱাংখৈ, নোংমৈবুং, লমলোং, চীংমৈরোং, লম্ফেল সনা কৈথেল, মন্ত্রিপুখ্রি, তেরানচিংবদা নুপী কৈথেল শঙ মতমগা চুনবা মওংদা শারবদি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ৱাথোক লোইশিনবা ঙমগনি। অদুগা মীয়ামসু অনকপা মফমদগী পোৎ লৈবা ফংগনি, ত্রাফিক জামসু হন্থহনবা ঙমগনি। গ্রেটর ইম্ফালগী কৈথেল শঙশিংগী ফীভম য়াম্না ফৎত্রে। ●

# নুপীদা চথুবা ক্রাইমশিং থিংনবা হোৎনবা মথৌ তাই

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মণিপুরদা নত্তনা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা নোংম-নোংমগী নুপীদা চথুবা ক্রাইমশিংগী মশীং হেঙ্গৎলক্লি। নুপীদা চথুবা ক্রাইমশিংদা চেন্নবা মরাল লৈবা কাঙবুশিংগী মথক্তা লৌখৎপা এক্সনশিংসু, সিবু হেন্না কন্না খক লৌখৎনীংঙাই লৈত্রবনি। ক্রাইমদা চেন্নবা মীশক অমদা পীবা য়াবা চৈরাকশিংগী মনুংদা শিবগী চৈরাক হায়বসিদগী হেন্না লূম্বা চৈরাক অমমুক লৈতে। ইন্দিয়াগী ওইনদি, নুপীদা চথুবা ক্রাইমশিংদা চেন্নবা মরাল লৈবা কাঙবুশিং খরদা চৈরাক মখলসি ফাওবা পীবা য়াওনখ্রবনি। ইরমদম মণিপুরসিদসু, মপুন্সি চুপ্পগীমক নৎত্রগসু শাংল-শাংলবা চহী কয়ামরুম অমা কৈশুমশঙদা লৈহন্দুনা থবক শূহনবা অমসুং অৱা-চৈনা খাঙহনবগী চৈরাকশিং মরী লৈনবা কোর্টশিংনা পীবা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদা লমদমসিদা ক্রাইম মখলসিগী মশীংসি নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলকপগী থবক নত্তনা তাথরকপগী ৱাফমদি খক লৈত্রি। ফীভমসিদা ক্রাইম মশীং হন্থহল্লক্লবা হৌজিক লমদমসিদা করম্বা মখলগী চৈরাকশিং নুপীদা থোকহনবা ক্রাইমশিংদা চেন্নবা মীওইশিংদা পীবা য়াই হায়বসি নৌহৌনা অমুক্কসু খন্নফম থোকপ্রা খল্লি। হৌজিক ফাওবদা ইরমদমসিদা মথক্তা পল্লিবা ক্রাইম মখলসিগীদমক মরাল লৈরবা কাঙবুশিংদা পীদ্রিবা চৈরাক মখলসি শুপ্পগী শিবগী চৈরাক হায়বা চৈরাক মখলসিখক্তমক ঙাইরবনি। চৈরাক মখলসিসু লমদমসিদা ক্রাইম থোকহনবগী চাং হন্থরক্তবদি নোংমদি শোয়দনা পীফম থোকই। মশা-মশানা চেন্নরিবা ক্রাইমশিংদুগী মহকশিংগী মতুংইন্না ফংহনফমসু থোকই। ক্রাইমশিংদুগী মহকশিংনা ক্রাইমশিংদুবু থোকহল্লিবা গ্রাউন্দশিংদু য়েংলগা লেপকদবনি। পূন্নমকসি য়েংলবা মতুংদা ৱায়েন চথুরিবা লো-কোর্টশিংদুনা ক্রাইম অদুদা চেন্নরিবা মীশকশিংদুগী মথক্তা মরালগী মতিক চাবা পোৎলুমশিংদু থাঙ্গৎহন্নীংই।



নুপীদা থোকপা ক্রাইমশিংগী মখল য়াম্মী। তোঙান-তোঙানবা মরমশিংনা তোঙান-তোঙানবা মওংশিংদা ক্রাইমশিং থোকহল্লি। নুপীদা থোকপা ক্রাইমশিংগী মনুংদা নুপী মশানা য়াদনা মশাগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবগী ক্রাইম মখলসিনা লমদমসিদা খ্বাইদগী হেন্না মশীং য়াম্না থোকপা ক্রাইম মখল অমা ওইরি। থৌদৌসিদা চেন্নবদা অকক্লবা নুপাশিংগী মখল লৈতে। শকখঙনদবা ওইগেরা, মরী লৈনবা ওইগেরা নৎত্রগা মরী-মতা অমদি নক্লবশিং ওইগেরা, পূন্নমক হীরমসিগী মতাংদা চেন্নবা মীশকশিং হেক্তা ওইবা য়াই। ফীভমসিদনি লুরিবসু। ইরমদমসিদা, মশাগী ইকায়খুম্নবা তেমশিংনবীরবা মতুংদা মখল-মখলগী মীহাৎশিংদা হাত্তোকপীরম্বা কয়া তোয়না থেংনখ্রে। মৈ থারগা হাত্তোকপীরম্বা য়াওই, বোরাদা হাঞ্জিল্লগা তুরেলদা থাদদুনা হাত্তোকপীরম্বসু য়াওই, মঙকশমদা থাঙনা লেল্লগা লংথোকপীরম্বসু য়াওখি। মশীং থিঙমদনা হাত্তোকপীরগা লংথোকপীরম্বা কয়া থেংনখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবগী মনুংদা ইরমদম মচাসিদদি অদুগুম্বা নুপী হাৎপা মীহাৎপশিংদুবু ফারগা অমত্তা ওইরবসু লৈঙাকসিগী লোনা ফাঁসি তৌদুনা হাত্তোক্লবগী চৈরাক পী-খবদি থেংনদ্রি। মীহাৎ থীনা হাত্তোকপীরম্বসি নত্তবদসু কয়া অমা, তমথীনা ওৎপীরগা শিনীংচিত্তা লংথোকপীরম্বা, হাৎকে হোৎনবদা শোয়খিবদগী নাম্থোকখিবা অমসুং কনামতদা হায়দোক্তনবা কিহন-খংহল্লগা থল্লম্বা, মখল-মখলগী ক্রাইমশিংসু লমদমসিদা থোকখ্রবনি। হৌজিকসু থোকপা লেপত্রি। থৌদৌশিংসিদা লৈঙাক্কী লৈরিবা লোশিংসিনা লমদমসিদা নুপীশিংদা থোক্লিবা ক্রাইমশিংসি কন্ত্রোল তৌবা ঙম্লিব্রা? লমদমসিদা নৌনা পুথোক্লিবা পোক্সো এক্টকীদমক মীয়াম্না লৈঙাকপু থাগৎনদবদি নত্তে, তৌইগুম্বসুং পোক্সো এক্ট লৈরবা মতুংদসু লমদমসিগী নুপী অঙাংশিংদা ওৎপী-নৈবীবগী থবকশিংদি নোংমতসু লেপ্পকত্রি। ফীভমসিদা, পোক্সো এক্টনা লমদমসিদা নুপীদা থোক্লিবা ক্রাইমশিংসি থিংবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি। ফীভমসিদা, ঙমদ্রগনা অসুম্না অসুম লেনবা তারব্রা নৎত্রগনা ঐখোয় করি তৌসিগে হায়বসি মশানা খন্নরকফম থোকপনি। মীয়ামগীদমক লৈঙাক লৈরিবনি, লৈঙাক্লা মীয়ামগী খোঞ্জেলশিং তাবীফম থোকই। তশেংনমক ইরমদমসিদা নুপীগী ইকায়খুম্নববু খোঙ্গাওনরিবা অমসুং খোঙ্গাওনবদসু নত্তনা, নুপীশিংগী পুন্সিবু মমল য়াওদনা ওৎপী-নৈবীরগা হাত্তোকপীরিবা মীহাৎপশিংসি অমুক মখা তানা মীয়ামগা তোৎন-তিন্ননা মীরক্তা লৈহনফম থোক্লিব্রা হায়বসিসু লৈঙাক্তা হংফম থোকই। লমদমসিদা থোক্লিবা নুপীশিংদা চথুবা ক্রাইমশিং মখল য়াম্মী হায়বা ৱাফম মথক্তসু পঞ্জখ্রে। মথক্তা পঞ্জরিবা নুপীশিংবু নুংশি হৈতনা হাত্তোকপীরম্বা ক্রাইমশিংগী মথক্তা অতোপ-অতোপ্পা মশীং য়াল্লবা ক্রাইম কয়ামরুম অমসু থোক্লিবনি। খৎন-চৈনবা, ফুবিবা, ওৎপী-নৈবীবশিংতনা মপুন্সি তঞ্জায় অমা হেন্না হৌজিল্লক্লবা, মরাইবক থীরবী নুপী কয়ামুক অমসু ঙসিগী খুন্নাইসিদা শিঙমদনা হিংলি। নুপী কয়াসু মশানা লৈমিন্নজরিবা মপুরোয়বনা ওৎপীবা, মনেম মকুনা তাথী-তাওইনা তৌবীবা অমদি মহাক মশামক্কী মপুরোইবগী ভিক্টিম ওইবদগী খাঙবা ঙমদদুনা ময়ূম (মপাম) লমদমদা হল্লক্লগা অমুক্কসু হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লদুনা, নীংবা কায়না মপুন্সি লেন্নরি।

হৌজিক্কী মতমদা মপুরোয়বনা ইন্থোকপীরক্লবী, মপামদা হল্লক্তুনা লৈরবী মৌ নহাশিংগী ফীভমশিং অসুক্কী মতিক লুই। অসিগুম্বা অরুবা খোঙফমসি মায়োক্লবদনি, ঙসিগী খুন্নাইসিদা মৌ-নহা মচা কয়ামরুম্না পুন্সিগী পোৎলুম পুবা ঙম্লক্তবদগী, পুন্সিগী ৱাহন্থোকপু অরায়বা ৱাহন্থোকলোমদা হন্দোক্তুনা, তোপ-তোপ্পা পুন্সি মরেল অমদা লেন্নরক্লিবসি। তানফমসিদা মখোয়বু য়াম্না নিংথিনা কাউন্সেল্লিং পীবীহৌবা মথৌ তাই। নৎত্রবদি, চাক চগ্রিং অমনা চেঙ চেঙ্কোক অমা চেন্থহনবগুম, নোংম-নোংমগী খুন্নাইসিদা লৈরিবা নুপীশিংগী ৱাংলবা ফিদম্বু মখোয় অম'নিখক্লা লৈমায়দা চিংথদুনা মাঙহন্নবা হেক-হেক হোৎনরক্কনি। অসুম্না, মপামদা হল্লক্তুনা লৈরবী মৌ নহাশিংনা হান্না থাঙলম্বা পুন্সি খোঙথাংশিংগী মওং নত্তবদা, নৌনা থাংনীংলক্লিবা খোঙথাংশিং থিংবীহৌনবা মহাক্কী চৈঙাক ওইবা মীওইশিং লৈহৌদ্রবদি, মখোয়গী পুন্সিগী অরেপ্পা মচু খক লৈরক্লোই। ৱাফমসি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। নিংঙোল পোকচবা মমা-মপা ওইবশিংনসু মচা নিংঙোলশিংগীদমক খ্বাইদগী মথম্মোয় কায়জরিবা মীৎকুপ্তুসু তাঞ্জাসিদনি। মপামদা হল্লক্তুনা লৈরবী মৌ নহা অমগী পুন্সিদা পূন্নমকসি ওইরকখিবগী মরম লিশীং-লিশীংনা খুজিং ওইদুনা লৈরমগনি। তশেংবদি, খুদিংমকসি মহাক্কী মরাল ঙাক্তসু ওইরোই। য়ূম পাল্লবী, মপুরোয়বগী মীৎয়েংখাদা হিংজরিবী মৌ নহা কনানা মপামদা হল্লক্তুনা, অপোকপা-অপোকপী মপা-মমাগী মনাক্তা লৈনীংবা য়াওরমগদগে? মীৎকুপ খুদিং সনজিংনা মথক্তা নম্থরকপগুম, ৱাখল পোৎলুম পুরকখিবা মাগী পুন্সিগী নাকেন্থাগী ৱারী কয়া লৈরমগনি। মপুরোইবনা মহাকপু করি মরমগী ইন্থোকপীরকখিবা, মহাক লৈনা-লৈনা মপুরোয়বনা অতোপ্পা নুপী অমগা মীৎয়েং কারন চন্নবরা নৎত্রগা মাগী ময়ূম্মক্তদা পুশিল্লকপরা নৎত্রগনা মহাক মপুন্সি চুপ্পগী ওইনা মমিত্তা মচা উবা ফংলরোইদবী নুপী অমরা? মপুরোয়বগা কায়নরকপগী মরম, মপামদা হল্লক্তুনা লৈরবা মতুংদা মঙোন্দা পূন্নমক্লা য়েংবীবা মীৎয়েং, নোংম-নোংমগী মথন্তা হিংবদা হৈনরক্তবগী খোয়শাওনবা ৱাখল, হিংবদা চঙবা পোৎচংশিংগী অৱা-পোৎলুম, পূন্নমকসিনা নন্থবদগী চোকথরবা মাগী পূক্নিং-ৱাখলনা পেল্লক্তদুনা, নোংমদি শোয়দনা হিংবদা খ্বাইদগী লায়গদবা পান্বে অমগী মায়কৈ য়েংদুনা মখোঙ থাঙলক্কনি। থাংনীংলকফমসু থোকই। থৌদৌসিদা লাল্লিবশিংসি কনা-কনানো? সিগুম্বী নুপীশিংগী ঙাক্লৌ ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাকসিনা কয়া য়াম্না শেম্বীরবগে? খুন্নাইসিগী করম-করম্বা চৈঙাকশিংনা মাবু লৈরায় অনীনা ঙাকপীদুনা চেলহনবা ঈচেলগুম চেনহনবীরিবগে? পূন্নমকসিনা, মপুরোইবনা ইন্থোক্লক্লবী, মপামদা হল্লক্তুনা লৈরবী মৌ নহাশিংগীদমক লৈঙাক অমদি খুন্নাইসিনা মখা তানা মিৎয়েং চঙবিফম থোকই।

খুন্নাই অমগী নুপীগী শক্তম হায়বসি খুন্নাইদুগী শকয়েং মিংশেলনি হায়নবা ঐখোয় তারে। নুপীনা মশক তাক্কদবা খুন্নাইসিদা, লমদমসিগী লমহেনবা, নুপী হাৎপা নুপা, মীহাৎপশিংসিনা করি খল্লিবা? লমদমসিগী নুপীশিংনা মশানা ফনা অফবশিং ওইরক্তুনসু, মথোঙ হুক্তবা নুপাশিংসিনা নুপীশিংগী ইকায়খুম্নববু তত্তনা তেমশিংনবীরবদি লমদমসি কৈদৌঙৈদসু খক চাওখৎপা অমসুং অৱাংবা থাক্কী লৈবাক অমা হায়বদু ওইরক্লোই। লৌনম তৌগনবা নুপাশিংগী চিনবানগী ৱাহৈশিং, ঙসিগী খুন্নাইসিদা লৈরিবা নুপীশিংনা হেক-হেক থাজরিবা করিগীনো? লমদমসিগী নুপা খরনা পুং ২৪X৭, নুপী ওইবীশিংগী মফমদা করি মোইথেম তৌরগা, করম্বা ওইদবা ৱাহৈশিংনা অওইবা শাদুনা, মালহন্দুনা ঙাঙসিগে হায়দুনা খন্দুনতা লৈনরি। মখোয়সিনা করি লাইনা শারক্লিবা? মখোয়গুম্বসি খরা য়াম্না লৈরগনা ইরমদমসিনা করি ওইরকপা? খনবদা অকিবা পোকই। ●